# চেন্নাইন এফ সী অমসুং হায়দ্রবাদ এফ সী পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে






পনাজি, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সি):
গোৱাগী পি জে এন ষ্টদিয়ম মারগাউদা ঙসি নুমিদাং পুঙ ৭.৩০ দগী হৌরগা চেন্নাইন এফ সী অমসুং হায়দ্রবাদ এফ সী অনীগী মরক্তা শান্নখিবা হেরো ইন্দিয়ন সুপর লীগকী মেটচ অদুদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অদুগী শান্নবা হৌগৎলকপদা চেন্নাইন এফ সীনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নখি। হায়দ্রবাদ এফ সীগী ওইনসু চেন্নাইনদা পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা মখল কয়াগী টেক্লিকশিং শিজিন্নদুনা অকনবা মওংদা শান্নখি। টিম অনীমক অমনা অমবু অহানবা হাল্ফকী মিনিট খরদি লাকশিন্নবা ঙমদনা শান্নখি। অদুবু মেটচ অদুগী ১৩ শুবা মিনিটতা চেন্নাইন এফ সীনা ফ্রি কিক অমা কাউবগী খুদোংচাবা ফংখি। অনিরুধ থাপানা কাউরকখিবা ফ্রি কিক অদুবু সাজিদ ধোটনা য়াম্না ফজনা হায়দ্রবাদ এফ সীগী গোল পোষ্ট তম্না হেদ তৌশিনখি। মহাক্না হেদ তৌশিনখিবা বোল অদু হায়দ্রবাদ এফ সীগী কিপরনা ফাবা ঙমহৌদবদগী পাঞ্জল ওস্থোকপা ঙমখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। চেন্নাইন এফ সীগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখ্রবা মতুং হায়দ্রবাদ এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদুবু হন্দোক্নবা হান্নদগী হেন্না অকনবা মওংদা শান্নবা হৌরকখি।

হায়দ্রবাদ এফ সীনা চেন্নাইন এফ সীগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরবসু চেন্নাইন এফ সীগী দিফেন্দরশিংনা হৈনা-শিংনা ঙাকথোকখিবদগী মায়পাকপা ঙমখিদে। অদুবু অহানবা হাল্ফকী অহেনবা মতমদা শান্নখিবা অদুদা হায়দ্রবাদ এফ সীগী অসিশ রায়না চেন্নাইন এফ সীগী গোল পোষ্টকী ওইরোমদা খোঙলৈ থুনা পুশিল্লকখিবপা বোল অদু গোল পোষ্টকী ময়াই তম্না কাউরকখি। বোল অদু মহাক্কী টিম মেট সিভেরিওনা হেদিং তৌশিন্দুনা পাঞ্জল ওস্থোকপা ঙমখিবদগী ১-১দা দ্রো চৎখি।

# নুপাগীদা এস ৱাই য়ু সী, ঐচ য়ু অমদি নুপীগীদা মৈরা, আইদেল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস):
মণিপুর হোক্কীগী মীৎয়েং মখাদা হোক্কী প্লেয়র দিভলপমেন্ট টিমনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা থা অসিগী ৯ দগী হৌরগা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১৭ মেন অমসুং অন্দর ২০ ৱিমেন হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০২২গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নুপাগী ওইনা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন অমসুং ঐচ য়ু লাইরিক য়েংবম লৈকায় মায় পাকখ্রে অদুগা নুপীগী ওইনা মৈরা বাশিংখোং অমসুং আইদেল ক্লব তেরা বজার মায় পাকখ্রে।

নুপাগী ওইনা ঙসি খুমন লম্পাক হোকি ষ্টদিয়মদা নুংথিল পুঙ ১.১৫ তাবদা ঐচ য়ু লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমসুং বি ঐচ বিষ্ণুপুর টিম অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। মেটচ অসিগী অহৌবা ক্বার্টরদগী অরোয়বা ক্বার্টর ফাওবদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ঐচ য়ুনা পাঞ্জল ৭ অদুগা বি ঐচনা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা ঐচ য়ুগী মখুত্তা বি ঐচ ৭-৩দা মায়থিখি।

নুংথিল পুঙ ২.১৫ তাবদা এস ৱাই য়ু সী অমসুং ঐচ য়ু টিম অনীগী মরক্তা শান্নখি। নাকল অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু এস ৱাই য়ু সীনা য়াম্না লাকচনা শান্নখি। মেটচ অদুগী অরোইবা ক্বার্টর ফাওবদা এস ৱাই য়ু সীনা য়াম্না লাকচনা শান্নখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঐচ য়ুগী মাকৈদা পাঞ্জল ১০ চনবা ঙমখি। অদুবু ঐচ য়ুগী মায়কৈদগীদি পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা এস ৱাই য়ু সীগী মখুত্তা পাঞ্জল ১০-০ দা মায়থিবা নংখি।

অমরোমদা ঙসি অয়ুক পুঙ ৮.৩০ তাবদা নুপী টিমগী ওইনা আইদেল ক্লব অমসুং টি দল্লিয়ু সীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরদগী হৌরগা আইদেল ক্লবনা য়াম্না লাকচনা শান্নখি। অহৌবদগী লাকচনা শান্নখিবা অদুনা অরোইবা ক্বার্টর ফাওবা লাকচনা অদুম্মক শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা আইদেল ক্লবনা পাঞ্জল ১৩ চনবা ঙমখ্রবসু টি দল্লিয়ু সীগী ওইনদি পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী আইদেল ক্লবকী মখুত্তা ১৩-০ দা মায়থিহৌখি।

মখা তারকপা ওইনা অয়ুক পুঙ ৯.৩০ তাবদা বি ঐচ অমসুং মৈরা টিম অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অপিবা মতমগী অরোইবা ফাওবদা বি ঐচনা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি অদুগা মৈরা বাশিখোংনা পাঞ্জল অহুম চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু মায় পাকখি।

# পেনালটি শুট আউটতা নেরোকা এফ সীনা ট্রাউ এফ সীবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ১৪৩ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা তাকয়েলগী সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ১২রক শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়ল ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নেরোকা এফ সীনা ট্রাউ এফ সীবু পাঞ্জল ৬-৪ দা মায়থিবা পীদুনা মথং মেটচকীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুঙ ১১.৩০ তারকপা মতমদা নেরোকা এফ সী অমদি ট্রাউ এফ সী অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। মেটচকী অহৌবা মিনিট খরদি নাকল অনীমক্না অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা ঙম্নখিদে। চাং মান্ননা শান্নরবসু নেরোকা এফ সীনা মেটচ অদুগী ৩৩ শুবা মিনিটতা হৈনা শিংনা ট্রাউ এফ সীগী গোল পোষ্ট তম্না পুশিল্লকখিবা বোল অমা নেরোকা এফ সীগী কে ঐচ লকি (৭) না পাঞ্জল ওস্থোকপা ঙমদুনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জলগী একাউন্ট হাংদোকখি। নেরোকা এফ সীনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা ট্রাউ এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা হোৎনরবসু অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদবদগী অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবগী ওইনা নেরোকানা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।



অনীশুবা হাল্ফ হৌগৎলকপদা অহানবা হাল্ফতা নেরোকা এফ সীনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তবা য়াদে হায়বগী মতাগুম ট্রাউ এফ সীগী মায়কৈদগী মখা তানা তোপ তোপ্পা লাল্লোং কয়া চখবা হৌরকখি। ট্রাউ এফ সীনা অহানবা হাল্ফ মমাংদা শান্নখিবা খুশান্না অদুদগী হোংদোক্তুনা অনৌবা মওংগী খুশান্না অমা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু নেরোকাগী মায়কৈদা পাঞ্জল পাক হেক চনবদি ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ৮১ শুবা মিনিটতা ট্রাউ এফ সীনা খঙহৌদনা চথুরকখিবা কাউন্টর এটেক অমা টিম অসিগী টি ঐচ নারেশ (৭) না পাঞ্জল ওস্থোকপা ঙমদুনা পাঞ্জল ১-১ দা মান্ননা লৈখি। টিম অনীমক্না মখা তানা পাঞ্জল চন্নবা অকনবা মওংদা শান্নখি। অদুবু মেটচ অদুগী অরোইবা মতম ফাওবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী ১-১ দা অদুমক লৈখি।

টিম অনীমক্না ১-১ দা দ্রো চৎখ্রবা মতুং রেফ্রিনা পেনালটি কাউনহনখি। পেনালটি শুট আউট অদুদা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী বোল অমত্তা মিস ওইহন্দনা পাঞ্জল ওস্থোকপা ঙমখি। অদুবু ট্রাউ এফ সীগী ওইনদি পাঞ্জল ৩ দগী হেন্না চনবা ঙমখিদবদগী নেরোকা এফ সীনা পাঞ্জল ৬-৪ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকখি।

# শান্নরোয় ৬ না মেদল লৌরকপদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়ন পৱার লিফটিং ফেদরেসনগী মিৎয়েং মখাদা থা অসিগী ৪ দগী হৌরগা ৬ ফাওবা জমসেদপুরগী বিষ্টুপুর মিলানী হোলদা পাঙথোকখিবা সুব্রতা ক্লাসিক নেসনেল অন-ইক্যুইপ (মেন এন্দ ৱিমেন) পৱারলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোয় ৬ না মেদল লৌরকপা ঙমখিবা অদুবু পৱারলিফটিং এসোসিএসন মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি আর কে রাকেশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লমদম অসিদগী হৌখিবা শান্নরোয় ৬ না চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেদল লৌদুনা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরকখিবা অসি মীপুম খুংদিংমক্না পুক্নিং থৌকৎফম থোকই। শান্নরোয়শিং অসিনা মেদল লৌরকখিবা অসিবু এসোসিএসন অসিনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি অমদি তুংদা লাক্কদবা টুর্নামেন্টশিংদসু মেদল কয়া লৌরকপা ওইরসনু হায়না থৌনিজরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয় ৬ অদুদি এন জি কুঞ্জাবিহারি (গোল্ড), এন মুর্গেসা (সিলভর), টি ঐচ প্রেমোজিৎ (সিলভর), ও কলপনা (সিলভর), ঐচ দয়ারানি (গোল্ড) অমসুং এন গোলদি চনু (সিলভর) নি।

# ফুটবোল লভর্স (এ) অমসুং মরুপ এফ সী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচএনএস):
থা অসিগী ৫ দগী হৌরগা ইপুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরু নোংশাবা শান্নবুঙদা হায়েল য়ং পোপুলর ক্লব, হায়েলনা শিল্লগা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা প্রধান ট্রোফি-২০২২ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা ফুটবোল লভর্স এফ সী (এ) অমসুং মরুপ এফ সীনা মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলগী দমক শেম শাবা হৌখ্রে।

ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুঙ ১২.৩০ তারকপা মতমদা ফুটবোল লভর্স এফ সী (এ) অমসুং সী এফ এন এ বি এ হায়েল অনীগী মরক্তা প্রধান ট্রোফি অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচ শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না চাং মান্ননা শান্নখি। মিনিট খরা হৌজিনখ্রবা মতুং ফুটবোল লভর্স এফ সী (এ) না মেটচ অদুবু দোমিনেট তৌবা হৌরকখিবগা লোয়নননা মেটচ অদুগী ৫ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মখা তানা মেটচ অদুগী ৭ শুবা অমসুং ১০ শুবা মিনিটতা থংন-থংননা পাঞ্জল অনী অমুক চনশিন্দুনা লভর্স এফ সী (এ) না পাঞ্জল ৩-০ দা মাঙজিল থানা চৎপা ঙমখি।



লভর্স এফ সী (এ) না চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী মতম লোইদ্রিঁঙৈদা হন্দোকপা ঙম্নবগীদমক সী এফ এন এ বি এগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা মওংদা হোৎনরকখি। সী এফ এন এ বি এগী মায়কৈদগী অকনবা লাল্লোং কয়া চথুদুনা মেটচ অদুগী অপিবা মতম লোইদ্রিঁঙৈদা ফুটবোল লভর্স এফ সী (এ) চনশিনখিবা পাঞ্জল অহুম অদু হন্দোকপা ঙমদুনা ৩-৩ দা মান্ননা লৈখি। মেটচ অদুগী অরোইবা ফাওবদা মখা তানা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী পেনালটি কাউনখি। পেনালটি শুট আউটতা ফুটবোল লভর্স এফ সীনা বোল অহুম পাঞ্জল ওস্থোকপা ঙমদুনা পাঞ্জল ৬ তা লৈখি। অদুগা সী এফ এন এ বি এনা বোল অনীদগী হেন্না পাঞ্জল ওস্থোকপা ঙমদবদগী ফুটবোল লভর্স এফ সী (এ) গী মখুত্তা ৬-৫ দা মায়থিদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে। অমরোমদা নুংথিল পুঙ ৩.৩৫ তাবদা সম্থেল এফ সী অমসুং মরুপ এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মরুপ এফ সীনা সম্থেল এফ সীবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলগীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

# নুমিৎ ৫ নি চথুরকখিবা শরিৎ-শরাৎ থাঙ-তা ত্রেনিং লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস):
খা মণিপুর থাঙ-তা শিন্দম শঙ, পাঙনতাবি, ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা শিন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী হৌরগা ১১ ফাওবা নুমিৎ ৫ নি চুপ্না চথুদুনা লাকখিবা শরিৎ শারাক থাঙ-তা ত্রেনিং প্রোগ্রামগী থৌরম ঙরাং পাঙনতাবি মখা মমাঙদা লৈবা শান্নবুঙদা লোইশিনখ্রে হায়রি।

লোইশিনবগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা খা মণিপুর থাঙ তা শিন্দম শঙ পাঙনতাবিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না, শরিৎ শরাৎ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী এন জিবন মৈতৈ, নিসা হৈঙাংগী শিন্তাকপুরেল এল ইবোহল মৈতৈ অমদি খা মণিপুর থাঙ-তা শিন্দমশঙ পাঙনতাবিগী প্রসিদেন্ট ঐচ সাগোরনা মরুওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। মীথুংলেনশিং অসিনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংদা মমল য়াম্লবা পাউতাক কয়া পীবগা লোয়নননা শরিৎ শরাৎ, থাঙ-তাগী কাঙলোন অমদি খোঙলোন কয়া তাপীদুনা লমদম অসিগী ইপা ইপুশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা শিজিন্নদুনা লাক্লিবা কয়া অসি য়োকখৎনবা হোৎনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি। লমদম অসিগী পুৱারীগা শগোন্নদুনা লাক্লবশিং অসি য়োকখৎনবা হোৎনবদা লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ৭৫ ক্রোর নমস্কার প্রোজেক্ট ইন্দিয়া পূম্বদা পাঙথোক্লগনি : সেক্রেটরি পুখ্রম্বম বিরপ্রভাস




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচএনএস):
ইন্দিয়ানা মনিং তম্বা চহী ৭৫ শুবগী সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা অজাদি কা অমৃত মহোটসবকী মনুং চন্না ৭৫ ক্রোর নমস্কার প্রোজেক্ট ওইনা যোগ থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি পুখ্রম্বম বিরপ্রভাশনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা জেনরেল সেক্রেটরি পুখ্রম্বম বিরপ্রভাশনা মখা তারদুনা হায়খি, ইন্দিয়াদা লৈরিবা যোগগী লূপশিং পূনশিন্দুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমনি। কুমজা ২০১৩দা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা নেসনল যোগ স্পোর্টস ফেদরেসন অসি শেম্বীরম্বনি। যোগদগী অসনা অসি লৌথোক্লগা স্পোর্টসতা চঙহল্লম্বনি। অদুনা যোগ অসি স্পোর্টস ওইনা য়োকখৎনবা হোৎনবনি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ১দগী ফেব্রুৱারী ২০ ফাওবগী মনুংদা নুমীৎ ২১নি চঙনা নোংমদা মী অমনা মিনট ১৩ অসি সূর্য্যা নমস্কার তৌবীগদবনি। মসিদা শরুক য়াননবগীদমক্তা ৱেবসাইটতা হাংদুনা মিং চনবীয়ু। লোইরবা মতুংদা সর্টিফিকেটসু পীজগনি হায়খি।

প্রসিদেন্ট ডা. নাওরেম চাওবনা মখা তারদুনা হায়খি, ৭৫ ক্রোর অসি যোগগী সূর্য্যা নমস্কার অসি উৎপা হৌখ্রবনি। অদুনা যোগগী লৈরিবা লূপশিং অমদি মীয়াম্না ইন্দিয়ানা মনিং তম্লকপা চহী ৭৫ শুবা অজাদিকা অমৃত মহোটসবতা শরুক য়ামিন্নবগী থৌদাং লৌমিন্নবা অমনি। স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতসু পাউথাজখ্রে। মসিদসু নৎতনা মহৈরোয়শিংসু শরুক য়ানবা পাউজেল পীজবনি। মসিদা অয়ুশ অমসুং মিনিষ্ট্রি, য়ুঠ এফেয়র্সনচিংবনা পায়খৎলকপা অসিদা চঙশিল্লকপনি।

মসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদসু সেন্টরদগী হায়বা লৈখ্রে। অদুনা কোভিদ লাকপা মতম অসিদা অনাবা কয়াদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবা হকশেলগী লম্‌দা ফগৎনবা হোৎনবা অমনি। হকশেলগী কাঙলোন্দা লৈবদা নৎতনা ওলিম্পিক্সতা ফাওবদা পুখৎনবা হোৎনরিবা অমনি। অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক্না রেজিষ্টর তৌদুনা শরুক য়াবীয়ু হায়খি।

# ই এস য়ু, ক্রিপসা অমসুং এম পি এস সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শিন্দুনা হৌজিক হৌজিক খুমন লম্পাক্তা পাঙথোক্লিবা ১২ শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২১-২২গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ই এস য়ু, ক্রিপসা অমদি এম পি এস সীনা মাগী মাগী ওপোনেন্টশিংবু মায়থিবা পীদুনা মথং মেটচগীদমক শেম শাবা হৌনখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুঙ ১০ দগী ই এস য়ু অমদি আই সী এস এ টিম অনীগী মরক্তা অহানবা মেটচ শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিগী ১০ শুবা মিনিটতা খঙহৌদনা ই এস য়ুগী মায়কৈদগী খোঙলৈ থুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অসিগী টি ঐচ সাহেনা (১৪) না পাঞ্জল ওস্থোক্তুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ মমাংদা আই সী এস এনা পাঞ্জল অদু হন্দোক্না অকনবা মওংদা হোৎনখি। অদুবু মায় পাকপা ঙমখিদে। অনীশুবা হাল্ফতসু টিম অনীমক্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অদুবু মেটচ লোইবা ফাওবা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী ই এস য়ুনা আই সী এস এবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুঙ ১২.১৫ তাবদগী ক্রিপসা অমসুং ৱাই দল্লিয়ু সীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিগী ওইনসু অহানবা হাল্ফ ফাওবদা টিম অনীমক্না য়াম্না চান মান্ননা শান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মতম ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরবা মতুং মেটচ অদুগী ৫৬ শুবা মিনিটতা ক্রিপসাগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা ফজরবা বোল অমা টিম অসিগী রোজা (১০) না পাঞ্জল ওস্থোকপা ঙমদুনা ১-০দা মাঙজিল থাখি। পাঞ্জল অসি ৱাই দল্লিয়ু সীনা হন্দোকপা ঙমদবদগী ক্রিপসানা মেটচ অদু থোইখি।

১২ শুবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুঙ ২.১৫ তাবদা এম পি এস সী অমসুং দল্লিয়ু এফ এ টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা এম পী এস সীনা য়াম্না কা হেন্না লাকচনা শান্নখিবদগী দল্লিয়ু এফ এ এম পি এস সীগী মখুত্তা পাঞ্জল ৬-০ দা মায়থিবা নংহৌখি।

# কাউবা এফ সী অমসুং য়াইসা এফ সী মায় পাকখ্রে

ককচিং, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস):
থা অসিগী ৬তগী হৌরগা টিম ১২না শরুক য়াদুনা চথুরকখিবা অহানবা কে পি এস সী ৱিন্টর ফাইভ মেন সোকর টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেলগী অহানবা মেটচতা কাউবা এফ সী তেকচমনা হেপিসন এফ সীবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলগীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিমক্কী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা কে পি এস সী টিমবু য়াইসা এফ সীনা ২-১দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলগীদমক য়াইসা এফ সীসু শেম শাবা হৌখ্রে।

# স্পোর্টস আইটম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস):
চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কোভাং ভিলেজদা আই জি এ আর (এস) কী মীৎয়েং মখাদা সেলোন বটালিয়ন এ আরনা খুঞ্জাশিংদা ফুটবোল, বোলিবোল অমদি বেদমিন্টন কিটশিং য়েন্থোকখ্রে।

# চেলসিনা টোটেনহম হোটস্পুরবু ১-০দা মায়থিবা পীখ্রে



লন্দন জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সি):
লন্দনগী টোটেনহম হোটস্পুর ষ্টদিয়মদা করাবাউ কপকী শান্নখিবা অনীশুবা লিগকী সেমি ফাইনেল মেটচতা চেলসি অমদি টোটেনহম হোটস্পুর টিম অনীনা মেটচ অদুদা চেলসিনা ১-০দা টোটেনম হোটস্পুরবু মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী ১১শুবা মিনিটতা চেলসিগী ষ্ট্রাইকর লুকাকুনা টোটেনহমগী গোল পোষ্ট তম্না ফজরবা বোল অমা কাউশিল্লকখি। অদুবু টোটেনমগী গোল কিপর পিরলুইগী গোলিনিনা বোল অদুবু য়াম্না লায়না সেভ তৌখিবদগী চেলসীগী অহানবা পাঞ্জল চন্নবা এটেম্প অদু মায় পাকহনখিদে।

মেটচ অদুগী ২০শুবা মিনিটদা চেলসিনা টোটেনমগী মায়কৈদা কোর্নর কিক কাউবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। চেলসিগী সেন্টর বেক মেসন মাউন্টনা কোর্নর কিক অদু য়াম্না ফজনা কাউরকখি। মহাক্না কাউরকখিবা কোর্নর কিক অদু টিম মেট এন্টোনিও রুদিগরনা হেদিং তৌশিন্দুনা পাঞ্জল ওস্থোকপা ঙমখিবদগী ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অহানবা হাল্ফকী অরোয়বা মতম ফাওবদা টোটেলহমনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফ হৌরবা মতুং ৫৬শুবা মিনিটতা চেলসিগী দিবোক্স মনুংদা কিপরনা ফাওল তৌই হায়দুনা রেফ্রিনা পেনাল্টি পীখি। অদুবু ভি এ আরদা কুপথনা য়েংলুবা মতমদা ফাওল তৌরমদবদগী পেনাল্টি অদু কাউহনখিদে। মেটচ অদুগী অপিবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টোটেনহমনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী মেটচ অদু চেলসিনা মায় পাকখি।



HL-B/7334/4/12-1/2

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 346**

**Santos, Jose Antonio Dos (1764) - Kikuchi Cadilhac, Mariana Sawae (1433)**

**BRA-ch Amateur Sao Paulo (4), 2014.03.02**

1.d4 Nf6 2.Nf3 g6 3.c4 Bg7 4.Nc3 d6 5.e3 O-O 6.h3 Nbd7 7.Be2 c5 8.d5 a6 9.O-O Ne5 10.Nxe5 dxe5 11.e4 Ne8 12.Be3 b6 13.Qc2 e6 14.Rad1 Qc7 15.Rfe1 f5 16.f3 Nd6 17.Bf1 f4 18.Bf2 Re8 19.b3 Bb7 20.Bd3 b5 21.cxb5 axb5 22.Nxb5 Nxb5 23.Bxb5 Rac8 24.dxe6 Qb6 25.Bc4 Ba6 26.Rd2 Bxc4 27.Qxc4 Qb4 28.Qd5 c4 29.e7+ Kh8 30.Qd8 Rcxd8 31.Rxd8...

**QUESTION :**

**White to win**

**Puzzle 345 Ans. :**

31. ...Qxe2 32. Nf7+ Kg8 33. Nxd8 Bxd8 34. Rde1 Qxd3 35. Re8+ Kf7 36. Rfe1 Nc6 37. R8e6 Qxc4 38. Rd6 Bf6 39. Rd7+ Kg6 40. Rxb7 Nd4 41. h4 Qd5+ 0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com